# দীপফেক ভিদিওশিংগী মতাংদা সেন্টরনা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংগা মীফম পাঙথোক্লগনি ঃ আই টি মিনিষ্টর



**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
গভর্নমেন্টনা দীপফেক ইস্যুগী মতাংদা অথুবা মতমদা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংগা মীফম চথরগনি হায়না আই টি মিনিষ্টর অশ্বিনি বৈষ্ণোনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। করিগুম্বা সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিং অসিনা দীপফেকশিং লৌথোক্লবা চপ চাবা খোঙথাংশিং লৌখৎতবা তারবদি সেফ হার্বর ইম্যুনিটি ক্লোজ অসি এপ্লাই তৌবা য়ারোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখ্রে।

আই টি মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা গভর্নমেন্টনা হন্দক্তা দীপফেক ইস্যুগী মতাংদা কম্পনিশিংদা ইস্যু তৌখিবা নোটিশকী রেস্পোন্সশিং প্লেটফোর্মশিং অদুনা পীরকখিবা ওইরবসু অসিগুম্বা কন্টেন্টকী মতাংদা ফার্মশিং অসিনা হেন্না কনবা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাগনি। মখোয়না ষ্টেপ খরা লৌখৎপা ঐখোয়না উবা ফংই। তৌইগুম্বসুং ইস্যু অসিগী মতাংদা মখোয়না অহেনবা ষ্টেপশিং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ঐখোয়না লৌই। হিরম অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা হায়বদি মথংগী নুমিৎ ৩/৪ নিগী মনুংদা ঐখোয়না প্লেটফোর্ম পুম্নমক্তা মীফম অমা চথরগনি হায়খি।

ঐখোয়না মখোয়দা ৱাফম অসিবু লুনা লৌহনবগা লোয়ননা দীপফেকশিং থীংনবা অমসুং মখোয়গী সিষ্টেম শেংদোক্লবা মতিক চাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা মেটা অমসুং গুগলগুম্বা অচৌবা প্লেটফোর্মশিং য়াওহনগদ্রা হায়না হংবদা মিনিষ্টরনা য়াওহনগনি হায়না ফোঙদোরকখি। প্লেটফোর্মশিং অদুনা আই টি এক্টকী মখাদা হৌজিক ফংলিবা সেফ হার্বর ইম্যুনিটিগী খুদোংচাবা অসি মখোয়না ইস্যু অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতবা তারবদি মখা তানা শীজিন্নবা য়াহল্লোই হায়না বৈষ্ণোনা নাখৈ শেংনা ফোংদোকখি।

মহাক্লা হায়, সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অয়াম্বনা ফংলিবা সেফ হার্বর ইম্যুনিটি ক্লোজগী খুদোংচাবা মখোয়না দীপফেকশিং মখোয়গী প্লেটফোর্মশিংদগী লৌথোক্লবা মতিক চাবা ষ্টেপশিং লৌখৎতবা তারবদি এপ্লাই তৌরোই। হন্দক্তা লৈবাক অসিগী মশক্লাইবা এক্টরশিংদা টার্গেট তৌবা "দীপফেক" ভিদিওশিং ভাইরেল ওইরকপদগী ৱাথোক অমা থোক্লককখিবগা লোয়ননা ফেক কন্টেন্ট অমসুং নেরেটিভশিং শেম্বদা টেক্নোলোজি অমসুং টুলশিং লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মাইকৈ কয়াদগী নুংনাংবা ফোঙদোক্লরকখিবনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চেকশিন ৱা ফোঙদোক্লদুনা আর্টিফিসিয়েল ইন্টলিজেন্সনা শেল্লিবা দীপফেকশিংনা অচৌবা ক্রাইসিস অমা লাকহনবগা লোয়ননা খুন্নাইদা পেন্নদবা কয়া থোকহল্লক্কনি হায়খিবনি অমসুং মহাক্লা মীদিয়াদা এ আই লান্না শিজিন্নবগী মতাংদা মীয়ামদা এৱার্নেস অমদি এদুকেসন পীননবা আপিল তৌখিবনি।

# 'নেটনয়াহু নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎকদবনি'

**কসারাগোদ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু ৱার ক্রিমিনেল অমনি অমসুং মহাক ৱায়েল চথবা তৌদনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎকদবনি হায়না কোংগ্রেসকী এম পি রাজমোহোন উন্নিথাননা ফোঙদোকখ্রে। ইজরেল অমসুং পলেষ্টাইন লান শোক্লরিঙৈ মরক্তা কেরালাগী কসারাগোদতা পলেষ্টাইনবু শৌগৎপা উৎতুনা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্লা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা ৱার ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিংগীদমক্তা নুরেম্বর্গ ত্রায়েল হায়বা অমা শিজিন্নরকখি। নুরেম্বর্গ ত্রায়েলদা ৱার ক্রিমিনেলশিং ৱায়েল চথবা তৌদনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎখি। হৌজিক নুরেম্বর্গ মোদেলগী ত্রায়েল অসি চথবা মতম ওইরে। বেঞ্জামিন নেটনয়াহু হৌজিক মালেমগী মীয়াম মাংদা ৱার ক্রিমিনেল অমা ওইনা লেপ্তুনা লৈরি। নেটনয়াহুনা মীচমশিংদা চথরিবা তমথিবা থবকশিংগী থাক য়েংলগা মহাকপু ৱায়েল চথবা তৌদনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপগী মতম ওইরে হায়খি।

# নেসনেল কম্পনি লো অপ্পিলেট ত্রাইব্যুনেল মেম্বরশিং এপোইন্ট তৌরগনি

কম্পনিস এক্ট, ২০১৩ গী সেক্সন ৪১০ গী মখাদা লিংখৎখিবা ক্বেজাই-জুদিসিয়েল বোদি অমা ওইরিবা নেসনেল কম্পনি লো অপ্পিলেট ত্রাইব্যুনেল (এনসীএলএটি) জুদিসিয়েল মেম্বরশিংগী ফম ০২ লৌননবা মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেয়র্স, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লিনা পোর্টেল https://apptrbmembermca.gov.in দা ইন্দিয়ন নেসনেলশিংদগী ওনলাইন এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। ভেকেন্সিশিংগী মশিং অসি অরেপ্পা নত্তে অমসুং হান্না খঙহনবা তৌদনা হন্থরকপা নত্রগা হেনগৎলকপা য়াই। মেম্বর অদু থাগী তলব লুপা লাক্ষ অনী লিশীং কুনমঙা অমদি এদমিসিবল ওইবা অতৈ এল্লাৱেন্সশিং পীগনি।

মতিক চাবা অমসুং অপাম্বা মীওইশিংনা মখোয়গী এপ্লিকেসন ওনলাইনদা সবমিট তৌবীগদবনি। এপ্লিকেসনশিং ওনলাইনদা ২১.১১.২০২৩ গী অয়ুক পুং ১০ দগী সবমিট তৌবা য়াগনি। ওনলাইনদা এপ্লিকেসন সবমিট তৌবগী অরোইবা তারিক ১৯.১২.২০২৩ গী নুংথিল পুং ০৫:৩০ নি। অকুপ্পা এদভর্টিজমেন্ট পোর্টেল https://apptrbmembermca.gov.in, মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেয়র্সকী ৱেবসাইট (www.mca.gov.in), দিওপি এন্দ টিগী ৱেবসাইট (https://dopt.gov.in) অমসুং নেসনেল কম্পনি লো অপ্পিলেট ত্রাইব্যুনেলগী ৱেবসাইট (www.nclat.gov.in ) দা উবা ফংগনি। এপ্লিকেসন মেনশিনবগী ইন্সত্রক্সন পোর্টেল https://apptrbmembermca.gov.in দা ফংগনি।

ওনলাইন পোর্টেলদা ফাইনেল সবমিসন মপুং ফানা লোইরবা মতুং অমসুং খুয়েক পীরবা এপ্লিকেসন ফোর্মশিংগী প্রিন্ট আউটকা লোয়ননা অপলোদ তৌখিবা দোকুমেন্টশিংগী কোপিশিং প্রোপর চেনেলগী খুথাংদা ২৯.১২.২০২৩ গী নুংথিল পুং ০৫:৩০ ফাওবগী মনুংদা শ্রী রিয়াজউল হক, অন্দর সেক্রেটরি, মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফ্যেয়র্স, রুম নম্বর ৫২৬, এ 'ৱিং', ৫শুবা ফ্লোর শাষ্ট্রি ভাবন, ডো. রাজেন্দ্র প্রসাদ রোদ, ন্যু দেল্লি-১১০০০১ দা য়ৌহল্লক্কদবনি।

cbc 07119/12/0005/2324

# দিফেমেসন কেস ফাইল তৌখিবা বি জে পিগী লিদর মরুওইবা ফম পায়খ্রে

**ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা "মোদিগী য়ুম্নাক" কী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমগা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা দিফেমেসন কেস অমা ফাইল তৌখিবা বি জে পিগী লিদর পুর্নেস মোদি ঙরাং দাদ্রা নগর হবেলি অমসুং দামন দ্যুগী পোলিটিকেল এফ্যেয়র্স চার্জ শিন্নখ্রে।

পার্টিগী নোটিফিকেসন অমনা হায়রিবদি বি জে পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট জে পি নাদানা পুর্নেস মোদিবু দাদ্রা নগর হবেলি অমসুং দামন দ্যুগী ইনচার্জ হাপ্লে অমসুং দুসেন পতেলবুনা কো-ইনচার্জ হাপ্লে। ফমশিং অসি মখোয়না খুদক্তগী পায়বা হৌরগনি।

রাহুল গান্ধীনা কুমজা ২০১৯ গী এপ্রিলদা কর্নাটাকাগী কোলরদা মীখলগী রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি পন্দুনা ৱা ঙাঙখিবা মতুংদা বি জে পিগী সুরট ৱেষ্টকী এম এল এ পুর্নেস মোদিনা সুরটকী কোর্ট অমদা মহাক্কী মায়োক্তা ক্রিমিনেল দিফেমেসন কেস অমা ফাইল তৌখিবনি। হৌখিবা মার্চতা সুরটকী কোর্ট অদুনা গান্ধীদা কনভিক্সন পীবগা লোয়ননা চহী অনীগী ফাদোক পীখিবদগী মহাক লোক সভাদা এম পি অমা ওইনা দিসক্বালিফাইদ তৌখিবনি।

হৌখিবা ওগষ্টতা সুপ্রিম কোর্টনা গান্ধীগী কনভিক্সন অদু ষ্টে তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী লোক সভা মেম্বরশিপ অমুক হিংগৎহনখি।

# ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপ্তা লৈবা য়ু এনগী স্কুলদা বোম থাদবদা মীওই ৫০ শিরে

**গাজা ষ্ট্রিপ, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
লান্না মরম ওইদুনা য়ুম-কৈশিং থাদোক্লরবা মীওইশিংগী সেল্টর অমা ওইনা শিজিন্নরিবা গাজা ষ্ট্রিপ্তা লৈবা য়ু এনগী স্কুল অমদা ইজরেলি ফোর্সশিংনা ঙসি বোম্মিং অমদি এয়রষ্ট্রাইক চথখিবদা য়ামদ্রবা মীওই ৫০ শিরে হায়না এনক্লেভ অদুগী হামাসনা চল্লাইবা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসিয়েল অদুনা ফোঙদোরকপদা গাজা ষ্ট্রিপকী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা জাবলিয়া রিফ্যুজি কেম্পগী মনুং চনবা য়ু এন না চল্লাইবা অল-ফখুরা স্কুলদা ইজরেনা অয়ুক অঙনবদা এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখি। সোসল মীদিয়া ভিদিওশিংদা বিল্ডিং অমগী ফ্লোরদা ঈ অমদি উফুলনা য়োন্নবা হকচাংশিং তাদুনা লৈবগী শক্তম উখি।

হিরম অসিগী মতাংদা হংবদা ইজরেলি আর্মিগী মাইকৈদগী খুদক্কী ওইনা পাউখুম অমত্তা পীরকখিদে। য়ু এন এজেন্সি ফোর পলেষ্টিনিয়ন রিফ্যুজি (য়ু এন আর দব্লিউ এ) নসু খুদক্কী ওইবা রিয়েক্সন অমত্তা উৎলকখিদে। জাবলিয়া অসি ইজরেল অমসুং হামাসকী মরক্তা চয়োল ৬ লান শোক্লরকপদগী ময়ুম-মকৈ লৈহন্দ্রবা মীওই মিলিয়ন ১.৬ কী লৈফম ওইহল্লিবা গাজাগী খ্বাইদগী চাওবা রিফ্যুজি কেম্পনি।

নবেম্বর হৌরকপদা হামাস গভর্নমেন্টনা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না থংন-থংননা নুমিৎ ৩ নি রোম জাবলিয়া কেম্পতা ইজরেলনা চথরকখিবা বোম্মিং অমসুং এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা মীওই ২০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা মীওই চা কয়া অশোক-অপন নংখ্রে।

# রাখাইনদা নৌনা খূৎ থোক্লবদা মীওই ২৬,০০০ হেন্না লাঞ্জেন্নরে

**য়ু এন, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
ম্যান্মারগী রাখাইন ষ্টেটতা মিলিটরি হুন্তা (জুন্তা) অমসুং ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা ইনৌ নৌনা লান কনশিল্লকখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা মীওই লিশিং ২৬ হেন্না ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ওফ হ্যুমেনেটেরিয়ান এফ্যেয়র্স (য়ু এন ও সী ঐচ এ) গী অপদেট অমনা হায়রিবদি অরাকান আর্মি (এএ) অমসুং মিলিটরিগী মরক্তা ইনৌ নৌনা খূৎ থোক্লরকপদগী রাখাইন ষ্টেট মফম কয়াদা লৈরিবা মীওই ২৬,১৭৫ ময়ুম-মকৈ থাদোক্লদুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এ এগী ফাইটরশিংনা রাখাইন অমসুং য়ুমথংনরিবা চিন ষ্টেটতা সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিংদা লান্দাশিং চথবদগী নাকল অনীগী মরক্তা লৈরক্লিবা সিজফয়র লোইশিন্দুনা লান অদুগী অতোপ্পা ফ্রন্ট অমা হাংলকখিবনি। মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংদা ওপোনেন্টশিংগা কন্না লান শোক্লরক্লিবা অদুদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী এ এগী পোজিসনশিংদা মিলিটরিনা সেল কাপশিনবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১১ শিখ্রে হায়না য়ু এন ও সী ঐচ এনা ফোঙদোরক্লি।

# পাকিষ্টান্দগী ইলিগেল অফগান মাইগ্রেনশিং তকথোকপগী ওপরেসন হৌরগনি

**পেশ্বার, নবেম্বর ১৮ (এজেন্সি) :**
পাকিষ্টানগী খাইবর পখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী কেপিটেল পেশ্বারদা লৈরিবা ইলিগেল অফগান লিশীং কয়া তকথোক্লবা প্রোভিন্সিয়েল গভর্নমেন্টনা অচৌবা ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ঙসি সেনিয়র ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টান্দা লোনা য়াদবা মওংদা লৈশিল্লিবা অফগান নেসনেলশিং নমদুনা ময়ুমদা হলহনবগী থৌরাং অমা কন্না পায়খৎতুনা লৈরিঙৈ মরক্তা খাইবর পখতুনখ্বা (কে পি কে) গভর্নমেন্টনা খোঙথাং অদু লৌখৎলকপনি। প্রোভিন্সিয়েল গভর্নমেন্টনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইলিগেল অফগান ৩৪০,০০০ নমদুনা পাকিষ্টান থাদোকহনখি। মখোয় পাকিষ্টান্দা চহী কয়া লৈরক্লবা ঙাক্তনি। ইস্লামাবাদনা ফোঙদোরক্লিবদি পাকিষ্টান্দা লৈরিবা অফগান নেসনেলশিংনা চহী অসিদা টেররিষ্ট লান্দা ১৪ চথখ্রে হায়রি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DY. COMMISSIONER/COMPETENT AUTHORITY FOR LAND ACQUISITION UKHRUL DISTRICT, MANIPUR
## [illegible]/ NOTIFICATION

Ukhrul, the 16th November, 2023

**No.10/208/2023-REV(UKL)/0610 :** It is hereby notified for information of all persons interested in the land that the Central Government, in exercise of power conferred by sub-section (1) of section 3A of the National Highways Act 1956 after being satisfied for the public purpose, the lands, brief description, given in the schedule is required for building (widening two lane), maintenance, management and operation of Ukhrul-Tolloi-Tadubi Road (including Ukhrul Bypass) on NH-102A in the stretch of road from De.0.00 Km. to De.Km 6.571 thereby declares its intention to acquire such lands vide Gazette Notification S.O.4588(E) dated 19.10.2023.

**A. Notification S.O.4588 (E) dtd.19.10.23 Gazette No.4414 dtd.19.10.2023 of 24.1896497Ha.**

Any person interested in the said land may, within **twenty-one days** from the date of publication of this notification in the official Gazette, objects to the use of such land for the aforesaid purpose under sub-section (1) of section 3C of the said Act in writing stating the grounds thereof to the competent Authority, namely Deputy Commissioner, Ukhrul.

Gazette notification and brief description of the lands to be acquired are given at SCHEDULE enclosed and appended herewith.

**(Kengoo Zuringla IAS)**
Deputy Commissioner/Competent Authority for
Land Acquisition (CALA), Ukhrul

REGD. No. D. L-33004/99

The Gazette of India

CG-DL-E-21102023-249594
**EXTRAORDINARY**
PART II-Section 3-Sub-section (ii)
**PUBLISHED BY AUTHORITY**

**No. 4414| NEW DELHI, THURSDAY, OCTOBER, 19, 2023/ASVINA 27, 1945**

### MINISTRY OF ROAD TRANSPORT AND HIGHWAYS NOTIFICATION

New Delhi, the 19th October, 2023

**S.O. 4588(E).**—In exercise of powers conferred by sub-section (I) of section 3A of the National Highways Act, 1956 (48 of 1956) (hereinafter referred to as the said Act), the Central Government, after being satisfied that for the public purpose, the land, the brief description of which is given in the Schedule below, is required for building & widening to two lane with hard shoulder, maintenance, management and operation of Ukhrul-Taloi-Tadubi Road Pkg.-I (including Ukhrul Bypass) on NH-102A in the stretch of land from DC. Ch. 0.000 Km (Ex. Ch. 537.850 Km on NH-202) to De. Ch. 6.571 (Ch. 9.940 on Ex. Ukhrul-Taloi-Tadubi Road) under the jurisdiction of Deputy Commissioner, Ukhrul in the district of UKHRUL in the state of MANIPUR, hereby declares its intention to acquire such land.

Any person interested in the said land may. within twenty-one days from the date of publication of this notification in the Official Gazette, object to the use of such land for the aforesaid purpose under sub-section(I) of section 3C of the said Act.

Every such objection shall be made to the Competent Authority, namely. Deputy Commissioner, Ukhrul in writing and shall set out the grounds thereof and the Competent Authority shall give the objector an opportunity of being heard, either in person or by a legal practitioner, and may. after hearing all such objections and after making such further enquiry, if any, as the Competent Authority thinks necessary, by order, either allow or disallow the objections.

Any order made by the Competent Authority under sub-section (2) of section 3C of the said Act shall be final.

The land plans and other details of the land to be acquired under their notification are available and can be inspected by the interested person at the aforesaid office of the Competent Authority.

### SCHEDULE

Brief Description of the land to be acquired with or without structures falling on Ukhrul-Taloi-Tadubi Road Pkg.-I (including Ukhrul Bypass) on NH-102A in the stretch of land from De. Ch. 0.000 Km (Ex. Ch. 537.850 Km on NH-202) to De. Ch. 6.571 (Ch. 9.940 on Ex. Ukhrul-Taloi-Tadubi Road) under the jurisdiction of Deputy Commissioner, Ukhrul in the district of UKHRUL in the state of MANIPUR

| State: MANIPUR | | | District: UKHRUL | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Sl. No. | Survey/Plot Number | Type of Land | Nature of Land | Area (in Local Unit) | Area (in Hectares) |
| 1 | 2 | 3 | 4 | 5 | 6 |
| Taluk: Ukhrul | | | | | |
| Village: Hunphun | | | | | |
| 1 | HNP-1 | Private (Agricultural) | DRY | 0.2331433 (Hectare ) | 0.233143 |
| 2 | HNP-10 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.3592026 (Hectare ) | 0.359203 |
| 3 | HNP-11 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.1996392 (Hectare ) | 0.199639 |
| 4 | HNP-12 | Private (Agricultural) | DRY | 1.84908 (Hectare ) | 1.84908 |
| 5 | HNP-13 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.3427259 (Hectare ) | 0.342726 |
| 6 | HNP-14 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.7337131 (Hectare ) | 0.733713 |
| 7 | HNP-15 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.240748 (Hectare ) | 0.240748 |
| 8 | HNP-2 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1428102 (Hectare ) | 0.14281 |
| 9 | HNP-3 | Private (Agricultural) | DRY | 0.2392483 (Hectare ) | 0.239248 |
| 10 | HNP-4 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.3921919 (Hectare ) | 0.392192 |
| 11 | HNP-5 | Private (Agricultural) | DRY | 2.3140869 (Hectare ) | 2.31409 |
| 12 | HNP-6 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1123023 (Hectare ) | 0.112302 |
| 13 | HNP-7 | Private (Agricultural) | DRY | 1.069305 (Hectare ) | 1.0693 |
| 14 | HNP-8 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.7074467 (Hectare ) | 0.707447 |
| 15 | HNP-9 | Private (Agricultural) | DRY | 0.353868 (Hectare ) | 0.353868 |
| Village: Hundung | | | | | |
| 16 | HNG-10 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.04 (Hectare ) | 0.04 |
| 17 | HNG-11 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.147039 (Hectare ) | 0.147039 |
| 18 | HNG-12 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.0245 (Hectare ) | 0.0245 |
| 19 | HNG-13 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.194031 (Hectare ) | 0.194031 |
| 20 | HNG-14 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.13457 (Hectare ) | 0.13457 |
| 21 | HNG-16 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.107846 (Hectare ) | 0.107846 |
| 22 | HNG-17 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.158733 (Hectare ) | 0.158733 |
| 23 | HNG-18 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.44947 (Hectare ) | 0.44947 |
| 24 | HNG-19 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.156 (Hectare ) | 0.156 |
| 25 | HNG-1B | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.3273689 (Hectare ) | 0.327369 |
| 26 | HNG-21 | Private (Agricultural) | WET | 0.220151 (Hectare ) | 0.220151 |
| 27 | HNG-22 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.350338 (Hectare ) | 0.350338 |
| 28 | HNG-23 | Private (Agricultural) | WET | 0.0857406 (Hectare ) | 0.0857406 |
| 29 | HNG-24 | Private (Agricultural) | WET | 0.126674 (Hectare ) | 0.126674 |
| 30 | HNG-25 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.404961 (Hectare ) | 0.404961 |
| 31 | HNG-26 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.279742 (Hectare ) | 0.279742 |
| 32 | HNG-27 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 1.09507 (Hectare ) | 1.09507 |
| 33 | HNG-28 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.0945296 (Hectare ) | 0.0945296 |
| 34 | HNG-29 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0441028 (Hectare ) | 0.0441028 |
| 35 | HNG-3 | Private (Agricultural) | WET | 0.226433 (Hectare ) | 0.226433 |
| 36 | HNG-30 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0308972 (Hectare ) | 0.0308972 |
| 37 | HNG-31 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1 (Hectare ) | 0.1 |
| 38 | HNG-32 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.316198 (Hectare ) | 0.316198 |
| 39 | HNG-33 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.347086 (Hectare ) | 0.347086 |
| 40 | HNG-34 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.570761 (Hectare ) | 0.570761 |
| 41 | HNG-35 | Private (Agricultural) | WET | 0.389997 (Hectare ) | 0.389997 |
| 42 | HNG-36 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.40732 (Hectare ) | 0.40732 |
| 43 | HNG-37 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.521722 (Hectare ) | 0.521722 |
| 44 | HNG-38 | Private (Agricultural) | WET | 0.347861 (Hectare ) | 0.347861 |
| 45 | HNG-39 | Private (Agricultural) | WET | 0.228641 (Hectare ) | 0.228641 |
| 46 | HNG-4 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.385176 (Hectare ) | 0.385176 |
| 47 | HNG-40 | Private (Agricultural) | WET | 0.152938 (Hectare ) | 0.152938 |
| 48 | HNG-41 | Private (Agricultural) | WET | 0.350474 (Hectare ) | 0.350474 |
| 49 | HNG-42 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.427769 (Hectare ) | 0.427769 |
| 50 | HNG-43A | Private (Inhabitated) | DRY | 0.172823 (Hectare ) | 0.172823 |
| 51 | HNG-43B | Private (Agricultural) | WET | 0.169651 (Hectare ) | 0.169651 |
| 52 | HNG-44 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.033595 (Hectare ) | 0.033595 |
| 53 | HNG-45 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0781297 (Hectare ) | 0.0781297 |
| 54 | HNG-46 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.099953 (Hectare ) | 0.099953 |
| 55 | HNG-47 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.10065 (Hectare ) | 0.10065 |
| 56 | HNG-48A | Private (Agricultural) | WET | 0.4345225 (Hectare ) | 0.434522 |
| 57 | HNG-48B | Private (Agricultural) | WET | 0.0809476 (Hectare ) | 0.0809476 |
| 58 | HNG-49 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0344347 (Hectare ) | 0.0344347 |
| 59 | HNG-5 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.0541314 (Hectare ) | 0.0541314 |
| 60 | HNG-50 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0208399 (Hectare ) | 0.0208399 |
| 61 | HNG-51 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.240863 (Hectare ) | 0.240863 |
| 62 | HNG-52 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0527489 (Hectare ) | 0.0527489 |
| 63 | HNG-53 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0497869 (Hectare ) | 0.0497869 |
| 64 | HNG-54 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1668006 (Hectare ) | 0.166801 |
| 65 | HNG-55 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1765723 (Hectare ) | 0.176572 |
| 66 | HNG-56 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.3854965 (Hectare ) | 0.385497 |
| 67 | HNG-57 | Private (Agricultural) | WET | 0.1529712 (Hectare ) | 0.152971 |
| 68 | HNG-58 | Private (Inhabitated) | DRY | 0.0505454 (Hectare ) | 0.0505454 |
| 69 | HNG-59 | Private (Agricultural) | WET | 0.1528497 (Hectare ) | 0.15285 |
| 70 | HNG-6 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.20862 (Hectare ) | 0.20862 |
| 71 | HNG-60 | Private (Agricultural) | WET | 0.0643021 (Hectare ) | 0.0643021 |
| 72 | HNG-61 | Private (Agricultural) | WET | 0.1028032 (Hectare ) | 0.102803 |
| 73 | HNG-62 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.371033 (Hectare ) | 0.371033 |
| 74 | HNG-63 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.1347677 (Hectare ) | 0.134768 |
| 75 | HNG-64 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.032403 (Hectare ) | 0.032403 |
| 76 | HNG-65A | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.2103907 (Hectare ) | 0.210391 |
| 77 | HNG-65B | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.6598907 (Hectare ) | 0.659891 |
| 78 | HNG-66 | Private (Agricultural) | WET | 0.3548455 (Hectare ) | 0.354845 |
| 79 | HNG-67 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.6526193 (Hectare ) | 0.652619 |
| 80 | HNG-8 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.0960129 (Hectare ) | 0.0960129 |
| 81 | HNG-9 | Private (Un-inhabitated) | DRY | 0.06 (Hectare ) | 0.06 |
| | | | | Total | 24.1896497 |

[F. No. NHIDCL/PMU-Ukhrul/U-T-T/UKLBypass/2023-24/3A]

ABHAY JAIN, Dy. Secy.